## এক্সিদেন্টদা ১ শিরে ২ শোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২(ঐচএনএস): ঙসি অয়ূক টিদ্দিম লম্বীগী ঙাইখোং খুনৌদা আই-১০ এম এন ০৬ এল বি/৬১১৬কা সুজুকি এক্সেস এম এন ০৬/এস দি-২৪৮৫কা থেঙ্গাইনবদা গাড়ী মচা থৌরকপা নহা অমা শিরে, তোংলকপা নুপী ২না শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

লৈখিদ্রবা নহা অদু ঙাইখোং খুলেন অৱাং লৈকায়দগী ওইনাম ওজিৎ (১৮) অপোকপা কেসো কৌই। শোক্তুনা লায়কন্নরিবী নুপীশিং অদুনা মহাক্কী মচে ওইনাম তোম্বী চনু (২১) অমদি মহাক্কী লৈকায়দগী থোকচোম নেপালি চনু (২৪)নি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মোর্চ্যুৱারীদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 85.165743 |
| US Dollar | 75.057364 |
| British Pound | 99.992614 |
| Australian Dollar | 53.280120 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.773072 |
| Japanese Yen | 0.665575 |
| Malaysian Ringgit | 17.785071 |
| Singapore Dollar | 54.901720 |
| South Korean Won | 0.063773 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.015297 |
| Thai Baht | 2.215455 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47668.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48480.00 |
| Delhi | – | Rs | 48368.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48790.00 |

## GAS NEWS

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto -01-11-21,**
VALID FROM 25-10-2021,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS:
9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10AM

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Uptodate**
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390, 8787632782

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available :19-11-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one.
Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPT24/10/21**
VALID FROM18/10/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO.
9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 28-11-21
**B/upto - 01-12-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL
6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 &
7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING ONLY**
**21/10/21**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 20-11-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

## অনৌবা অমনা মহুৎ শিন্নবা কংলাগী সনথোংদা...

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ক্রোর ১.৫ হাপ্তুনা হৌজিক শাবা লোইশিল্লক্লে। অদুবু মহুৎ শিনজিনগদৌরিবা অনৌবা মীতম অসিগী মখোঙ খিনগদবা মফম শেম শাবদা তঙাইফদনা হৌজিক লৈরিবা মীতম অসি ফূক্তোক্তবা য়ারক্তবদগী ঙসি হয়েংসিদা ফূক্লগা খিনফম শাবা হৌগদৌরিবনি হায়খি। অনৌবা মীতম অসিনা লম্বীদা চৎলিবশিংনসু য়েংবদা ইঙান ঙান্না উরগনি অমসুং মীয়ামগী মীৎয়েংফমদসু হেন্না মঙাল লৈরগনি অদুনা চীফ মিনিষ্টরনসু থা অসিগী মনুংদা মহুৎ শিঞ্জিনবা পাল্লি হায়খি।

হান্নগী মীতম অসি মখারোমদা ওনবনি অদুবু হৌজিক খিনগদৌরিবা অসিনা সনথোংদা হেক চঙলকপদা মায়োক্ন দুনা উবা ফংনবা নোংচুপ লোমদা ওল্লগা খিনগনি। মসিগী মতাংদসু অখঙ অহে অমদি এক্সপার্ট কন্মিটিনসু অয়াবা পীবিরে। মসিগী মরমশিংসু পীরি হায়খি।

মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে সসিকান্তনা ফোঙদোরকপদা কংলাগী বোর্দকী ৱারেপ মতুংইন্না ইনিংথৌ নরসিংহবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ফুট ৩০ ৱাংবা অনৌবা মীতম অসি খিনগদবনি। মহারাজ নরসিংহনা নিংথৌ গম্ভির সিংহ লৈখিদবা মতমদগী মচানুপা চন্দ্রকৃত্তিবু অঙাং ওইনা নিংথৌ হাপ্লগা মহাক্না সেনাপতি ওইদুনা চহী ১০ লৈঙাক্লকখিবনি। মীয়াম্না য়ামন্দবদগী কুমজা ১৮৪৪দগী ১৮৫০ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবনি। মরম অসিনা ইনিংথৌ নরসিংহগী মতিক ময়াই অদুদগী মীতম অসি কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোংদা খিনবনি। অদুবু মতমগা চুনরক্তবদগী হেন্না চাউবা অমসুং ৱাংবা অমনা মহুৎ শিঞ্জিন্নবগীদমক হান্নগী মীতম অসি ফূক্তোক্লগদবনি হায়খি।

## বি জে পিগী অরোনবা শক্তম মীয়াম পূন্না খঙমিন্নসি ...

*লামায় ১গী মখা...* কয়া চখ্খরি। বি জে পিগী সেন্টরগী লুচিংবা কয়া, কেবিনেট অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর কয়া অমা মণিপুরদা নোংমা কাংদনা লাক্লি অদুবু লাক্লিবশিং অদুনা মণিপুরগীদমক করিবু কানবা পীরম্লগে, করম্বা শীংথাবা য়াবা চাওখৎ থৌরাংগী পেকেজ অমত্তা লাউথোক্লম্বা নৎত্রগা পীরম্বা য়াওদ্রি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু মখোয় লাকপা মতমদদি মখোয়বু ওক্লনবা হোৎনবদা মণিপুরগী এক্স চেকরদগী য়াম্লবা শেনফমশিং চৎলিবনি। শেনফমশিং অদু মণিপুর মীয়ামগী শেনফমনি হায়খি।

লৈঙাক অসিনা তোলোপ পীথোকপা ঙমদ্রে, পেন্সনরশিংগী পেন্সন পীথোকপা ঙমদ্রে, কন্ট্রেক্টরশিংগী বিল পীথোকপা ফাওবা ঙমদ্রে হায়রদুনা ফীভম অসিদা নোংমা কাংদনা লাক্লিবা ভি আই পিশিং অসিগী অচংবা শেনফম অসি কনানা তৌরিবনো, পুথোক্লিবনো হায়বা হংনীংঙাই ওইরে হায়খি। লৈঙাকসিনা লায়রবশিংগী যূম শাবীরে হায়না লাউরি অদুবু অহানবা ফেজগী যূম শাখিবগী য়ু সী পীখৎপা ঙমদবদগী অনীশুবা ফেজগী শেল লাকহনবা ঙমদ্রে। লায়রবশিংদা যূম পীবা ঙমদ্রে হায়নসু বি জে পিবু মরাল শীখি।

## ওদিষা গভর্ণমেন্টনা হোকরশিংগী স্কিম ১...

*লামায় ১গী মখা...* শেলগী তেংবাঙ পীগনি হায়রি।

অদুগা করিগুম্বা খুদোংথীবা থৌদোক মায়োক্নবদগী পর্মিনেন্ট ওইনা দিসএবিলিটি ওইহল্লবা হোকরদনা লুপা লাখ ১গা মখায়গী শেলগী তেংবাঙ পীগনি। অদুগা হকচাংগী কয়াৎ অনী মাঙবনচিংবা পর্সিএল দিসএবিলিটি ওইহল্লবা হোকরশিংদনা লুপা লিশীং ৮০গী শেলগী তেংবাঙ পীবগা লোয়ননা হকচাং কয়াৎ অমা মাঙহন্দুনা পর্সিএল দিসএবিলিটি ওইহল্লবা হোকরদনা লুপা লিশীং ৪০গী শেলগী তেংবাঙ পীগনি হায়রি।

ন্যুজপেপর হোকরশিংগীদমক্তা হৌদোরক্লিবা অনৌবা স্কিম অসিগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌরবা ন্যুজপেপর হোকরশিংদা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দগী খূথাংদা তাঙ্কক অনী থোক্না লুপা লিশীং ৩/৩গী স্পেসল এসিষ্টেন্সশিংসু পীগনি। লোয়ননা পাউচেশিং য়েন্থোকপদা পেন্দমিক অসিগী খুদোংথীবশিং মায়োক্নহনখি অমসুং নাকোয়ননা হোকরশিংদসু চৈথেং পীখি হায়রদুনা অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাদা মথৌ পাঙথোকখিবা হোকরশিংবু সোসল সিক্যুরিটি স্কিম অসিনা শোয়দনা খুদোংচাবশিং ফংহনগদবনি হায়বা ৱাফমসু ওদিষাগী চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* মেঘজিৎতা ট্রাইব্যুনেল অসিনা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবনি।

ঙসি ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অসি ট্রাইব্যুনেল অসিনা এম এল এ ২গী মথক্তা লৌখৎপা দিসক্কালিপিকেসন কেস নম্বর ১ ওফ ২০২১ (সোইবম জিতেন ভর্সেস আর কে ইমো) অমসুং দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ২ ওফ ২০২১ (সোইবম জিতেন ভর্সেস য়ামথোং হাওকিপ) কী মতুংইন্না পীখিবনি।

ঙসি পীখিবা নোটিসশিং অদুদা এম এল এ অনীমক্তা মখোয় অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুগী কোপিশিংসু পীখিবগা লোয়ননা মখোয় মশা মশাগী ওইবা অইবা কম্মেন্ট/পাউখুমশিং থেংলবদা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ট্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরগী ওফিসতা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়না খঙহনখি। অদুগা মখোয় অনীগী দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংনা থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ১১.৩০ তারকপদা চথগনি হায়বা ৱাফমসু খঙহনখি।

মরম অসিনা এম এল এ ২না হকথেংননা স্পিকরনা লেপ্লিবা দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং চথনবগী নুমিৎ অসিদা লাক্কদবনি নৎত্রগা মখোয় মশা মশানা ওথোরাইজ তৌবা মীওইশিং থারক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৮দা বি জে পিদা চোঙশিনখিবদগী পার্টি অসিনা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা তরাম্না ওকখিবা এম এল এ ২না পার্টি অসিদা চোঙশিনদ্রিঙৈগী মমাঙদা এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী রিজ ইন তৌরমখিবা লৈখিদবনি।

লোয়ননা এম এল এ অনীনা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা মতুংদা লংথবাল এ সীগী লোক জনশক্তি পার্টিগী অমত্তা ঙাইরবা এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বাই ইলেক্সনদা কারকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ৱাই অন্তাস খানসু বি জে পিদা মথং মথং চোঙশিনখিবনি।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্ট অমদা ঙসি এসেমব্লিগী ওফিস মতম ফাওবগী মনুংদদি এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং ৱাই অন্তাস খানগী মথক্তদি দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং চথবীনবা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা পিটিসন অমত্তা ফাইল তৌরকপা লৈখিদ্রি। অদুবু এম এল এ ৱাই অন্তাসকী মতাংদদি মীওই খরনা এসেমব্লিগী লো ওফিসরদা লাক্তুনা মখোয়না খঙনীংবা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লদুনা হংলম্বা লৈখি হায়রি।

## সেন্টরনা সর্ভে তৌরগা টিকেট ...

*লামায় ১গী মখা...* পীরকপা মীশক অদুদা শৌগৎপীরক্তুনা ঈংনা চিক্না অকিবা লৈতবা পুন্সি মরেল অমা ফংননবা লাইবক্তা তল্লবনি খন্দোক্লগা বি জে পিগী ওইবা মীহুৎ থাবিরকউ হায়খি।

ঙসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী খুঙ্গং-খুঙ্গংদা অমসুং চীংদা চৎতুনা মীয়ামগা তাথোক তাশিন তৌদুনা পূন্না লৈরিবসিনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদসু বি জে পিগী চপ চাবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লৈগনি। মতমদুদা ঐখোয়গী মীয়াম নুংঙাইনা থম্বা হায়বসিনা ঐখোয়গী ৱাশক ওইজগে হায়খি।

ঙসিদগীনা চহী ২০/৩০ রোমগী মমাঙদা লমদমসিগী মীয়ামদা ফাওরম্বা অকি তুজুংবা কয়া, নুপী অঙাং কয়া তূম্ফম চাফম খঙলমদবদু ঙসিদি লৈত্রে। মসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকসিনা চহী ৪ মখায়সিদা মীয়ামদা পীবা খুদোলনি। মীয়ামগা লৈঙাক্কা অমসুং মীয়ামগা পুলিসকা অফবা মরী থম্বা ঙল্লকপদগী ওইরকপনি। অদুগা লমদমসিগী নুপী অঙাংশিং যূম-যূমদা ঈংনা চিক্না ইমুং মনুংগা লৈমিন্নহনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগীসু পান্দমনি। লৈঙাক হায়বসিদি মীয়ামগী য়াইফনবা লমদম অসিবু ঈং চিক্না লৈমিন্নবা অদুনি হায়খি।

লিলোংগী থৌরমদা মহাক্না হায়, অতোপ্পা পার্টিশিংনা বি জে পিবু মশক থীনবা অরানবা পাউ শন্দোকপনি। লমদমসিদদি মীতৈ পাঙল অমদি ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নন লৈমিন্নৈ হায়বা সেন্টরগী লিদরশিংনা খঙই। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরনা লৌরকপা ৱারেপ্তা লিলোং এ সীগী মীয়াম পূন্না শৌগৎমিন্নসি। মথংগী টর্মদা লৈঙাক পায়বদা লিলোং এ সীসু মশীং পাবদা য়াওরে হায়খি।

লিলোং এ সীগী মীয়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থাদুনা খৎননবা শীল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি মুখৎলসি। বি জে পিবু কম্যুনেল ওইবা পার্টিনি হায়না লান্না শন্দোক্লিবশিং কম্যুনেল ওইবা মীশকনি হায়বা তাকচরবনি হায়রদুনা সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পি পার্টিদি পূম্নমক্তা খুদোংচাবা পীবা মীয়ামগী লৈঙাকনি হায়খি।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সনদা লিলোং এ সীগীসু বি জে পিগী মীহুৎ থাগৎতুনা চাওখৎপা, ঈংনা লৈবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরসি হায়নসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমশিং অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, মিনিষ্টর ও লুখোই, এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, লিলোং এ সীগী এম এল এ ৱাই অন্তাস খান, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইবা থৌ পুবশিং অমদি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কয়াসু শরুক য়াখি।

## নুপী শুমাং লীলা কম্পিটিসন ...

*লামায় ১গী মখা...* কম্পিটিসনগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা কংজাবি মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিএসনগী 'অমম্বা অমদি অঙানবা মণিপুর' উৎতুনা লোইশিনখিবগা লোয়ননা চথরকখিবা নুপী শুমাং লীলা কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবশিং লাউথোকখ্রে।

ঙসি অরোইবা উৎখিবা লীলা অসিগী অইবা সলাম শামুঙৌ মৈতৈনি। লমজিং লমতাকপদা এস কে মঙাং অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্সনদা এস মুক্তাবলিনি। ম্যুজিকতা থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা সুভাস, তরুন, প্রেমজিৎ, সনাতোম্বা অমসুং অশোকনি।

শক্তম লাংখিবীশিংনা এস রোজিতা, কে ঐচ ভেলেনকানি, এন পুর্নিমা, ৱাই গঙ্গুলি, টি ঐচ মঞ্জিতা, এস অঞ্জলি, এন জি প্রেমোতা, কে এস ঐচ সুচিত্রা, এস হেনেনা, হেলেনা, সোফিয়া, এস ইয়ৈলৈমা, এন প্রিন্সি, টি জোনবলা, বেদরানি, পি ঐচ দাফনি, ভেলেনকানি অমসুং টি পেন্নিনি।

লীলা অসিনা এপ্রিল ২৭, ১৮৯১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী মণিপুর বৃটিশকী মখা পোনখিবা, মমা লৈবাক নীংজবশিং ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা, নুপীশিংনা চাক তাঙবদা বৃটিশকী সিফাইশিংগা ফূনবা অমসুং নুপীশিংদা সঙ্গিননা থিনখিবা, জপাননা মণিপুরদা বোম থাদদুনা মীওই কয়া হাৎখিবা অমসুং মোইরাংদা আই এন এগী ফিরাল চিংখৎপদা নেতাজি সুভাসচন্দ্র য়াওখিবনচিংবা পুৱারীগী লমায়শিং নৌহৌননা উৎখি।

লোয়ননা চথরকখিবা নুপী শুমাং লীলা চাংদম্নবগী রিজল্ট ঙসি নুমিদাংৱাইরম লাউথোকখিবগী মতুংইন্না অপূনবা লীলা কাঙলূপ ৮না শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অসিদা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী 'পেন্দ্রবা খুন্নাইগী মৈরিদা' না বেষ্ট প্রদক্সন; মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পর্ফোর্মিং সেন্টরগী 'গাইদিনলিয়ু' না সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন অমসুং ৱিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী 'নুপী লাল' না অহুমশুবা বেষ্ট প্রদক্সন তাখ্রে।

বেষ্ট দিরেক্টরনা ইবোয়াইমা খুমননা ফংলগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনানা এ কে বেঙ্গোল অমসুং ঐচ দেবেননা ফংলগনি। বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা এস কে মঙাং অমসুং সেকেন্দ অমসুং থর্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী মনানা লোংজাম্বা মৈতৈ অমসুং নবদিপ নিংথৌজানা ফংলগনি। নুপাগী শক্তম লাংখিবা বেষ্ট এক্টরগী মনানা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী কে এস ঐচ সুসমানা ফংলগনি অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা বেষ্ট এক্টরগী মনাশিংনা অমম্বা অমদি অঙানবা মণিপুরগী কে এস ঐচ সুসিত্রা অমসুং নুপী লালগী অরুনানা ফংলগনি। বেষ্ট এক্টর ফিমেল এৱার্দতনা পেন্দ্রবা খুন্নাইগী মৈরিদা রজনিগী শক্তম লাংখিবী সী ঐচ লিলাবতিনা ফংলগা সেকেন্দ অমসুং থর্দ বেষ্ট এক্টরগী মনানা গাইদিনলিয়ুদা গাইদিনলিয়ু শাখিবী থোইবীম্না অমসুং নুপী লালদা রজনি শাখিবী পি নন্দরানিনা ফংলগনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা কর্ণাটকাদা ওমিক্রোনগী কেস ২ ...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্টরনেসনল ট্রাভেল্লরশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী থবক হৌরে হায়খি। হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৈবাক অসিদা ঙরাংদগী হৌদুনা লৌখৎলকখিবনি হায়রদুনা অনৌবা লৈবাক অসিগী গাইদলাইনশিংগী মনুংদা ওমিক্রোন ভেরিএন্টকী কেসশিং লৈরবা লৈবাকশিংদগী লাকপা ট্রাভেল্লরশিংবু আর টি পি সী আর টেষ্টতা তঙাইফদনা নেগেটিভ ওইরবা মীওইশিং ওইগদবনি। মসিগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু অকনবা টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়খি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নিতি আয়োগকী মেম্বর ডা. ভি কে পালগী মায়কৈদগীসু কোভিদ ভেক্সিন শুনা কাপথোক্লবা অমসুং ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং অমুক হন্না সর্ভিস তৌহন্নবা ৱারেপ লৌরুরবনি। কোভিদ-১৯গী ওমিক্রোন ভেরিএন্ট অসিগী মতাংদসু চেকশিন্না য়েংশিল্লি। অদুগা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী মতাংদা চেকশিন্না চথরিবা এগজামিনেসন অসিগী মতুংইন্না লৌফম থোকপা ৱারেপশিং লৌরক্লগনি হায়খি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি এগজামিনেসনগী থবক অসি ঐখোয়গী টেক্নিকেল অমসুং সাইন্টিফিক ওইবা কাঙলূপশিং খক্তদা চথরিবনি হায়খি।

লোয়ননা নিতি আয়োগকী মেম্বর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কম্মর্সিএল ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং চৎলিবা থা অসিগী ১৫দগী অমুক হন্না মহৌশাগুম সর্ভিস তৌহন্নবা লৈবাক অসিনা ৱারেপ লৌরুরবনি অদুবু ওমিক্রোন ভেরিএন্টগী থৌদোক মায়োক্নরকপদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌরুরবা ৱারেপ অদু ঙরাংদগী হৌনা তোকথোকখ্রে হায়খি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিনা চহী অসিগী এপ্রিল অমসুং মেদা মায়োক্নখিবা কোভিদ-১৯গী কেসশিং অদুদগী হৌজিক্তি শিংথানবা য়ানা হন্থরক্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুবু ঙসি খক্তদা লৈবাক অসিদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস ৯,৭৬৫ থেংনখি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯না নাহল্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং মিল্লিয়ন ৩৪.৬১ য়ৌরে হায়খি। অদুগা এক্টিভ কেসশিংগী অপূনবা মশীংনা লাখ ১দগী তাথরক্তুনা হৌজিক কেস মশীং ৯৯,৭৬৩ লৈরি হায়খি।

অমরোমদা, সাউথ অফ্রিকা য়াওনা হৌজিক ফাওবদা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট মায়োক্নরে হায়রিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা বোটস্বৱানা (কেস ১৯), সাউথ অফ্রিকা (কেস ৭৭), নাইজেরিয়া (কেস ৩), য়ুনাইটেদ কিংদম (কেস ২২), সাউথ কোরিয়া (কেস ৫), ওষ্ট্রেলিয়া (কেস ৭), অষ্ট্রিয়া (কেস ১), ব্রাজিল (কেস ৩), চেক রিপব্লিক (কেস ১), ফ্রান্স (কেস ১), জর্মনি (কেস ৯), হোং কোং (কেস ৪), ইজরেল (কেস ৪), ইটলি (কেস ৯), জপান (কেস ২), নেদরলেন্দস (কেস ১৬), নোরৱে (কেস ২ ) স্পেন (কেস ২), পোর্টুগাল (কেস ১৩), স্বিদেন (কেস ৩), কানাদা (কেস ৬) অমসুং দেনমার্ক (কেস ৪) য়াওরি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা থেংনরিবা কেস অনী অসিগী মনুংদা মীওই অমনা মশাগী চহী ৬৬ লোম শুরবা ফোরেন্নর ওইবগা লোয়ননা সাউথ অফ্রিকাদা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈবা মীওইনি হায়বগা লোয়ননা অতোপ্পা নুপা অমনা বেঙ্গলুরুদা হেল্থ ৱার্কর ওইনা থবক তৌবা মীওইনি হায়রি।

অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট মায়োক্নরকপা অসিনা পাখৎনীংঙাই ওইদ্রি। অদুম ওইনমক অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী মতাংদদি মপুং ফাবা এৱেয়র্নেস শোয়দনা লৈগদবনি অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎপগা লোয়ননা মীয়াম পূনবগী থবক তৌরোইদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## য়াইস্কুল এ সী খক নত্তনা মণিপুরদা অওনবা পুরকহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* চঙলকপনি। লোয়ননা ঐহাক্কী হৌরকফম অমদি পোক্নফম লমদম অসিগীদমক থম্মোয় শেংনা দিভেলপমেন্টকী লমদা থবক কয়া তৌজনিংবদগী মরুওইনা পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙদারকখিবনি।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

**পাউ :** লৈঙাকপগী থবক অসি য়াম্না লুবা থবক অমনি। লৈঙাক অমা লৈরগদি লৈঙাক অদুগী অফবা অমদি ফৎতবা খরদি অদুমক লৈগনি। অদুবু ফৱদি ফৈ অমদি ফৎত্রদি ফৎতে হায়না মীয়াম্নসু অদুমক হায়হন্নিংই। লৈবাক মীয়াম্না লৈঙাক্তা ঙাঙলিবা-শক্লিবা অসি লৈঙাক্না মুন্না তাশিনহন্নিংই। লৈবাক্কী চাওখৎপগী থবক তৌবদা অমদি লৈবাক অমা ঙাকপা মতমদা দিবেট তৌনদুনা অফবা গভর্ণনেন্স অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই। চৎন-কাঙলোনশিং মতম চানা ঙাকহৌবনা চাওখৎ লম্বীদা খুমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ঙমগনি। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবসি মানা-মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি। অদুবু লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইরগদি মীয়ামগা খন্নরগা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা মাগী-মাগী এ সী অদুগীসু থবক তৌদুনা লৈবাক্কীসু ৱাখল খন্দুনা থবক তৌহন্নিংই। লুচিংবা অমা ওইরগদি মীয়াম্না য়াদবা থবক তৌহন্নিংদে।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইঙ্গদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা, যূম্ফমদা মীখল লাম্থেংনগে খনবিরি।

**পাউ :** ঐহাক লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)গী মীরেপ ওইঙ্গনি। নোর্থ ইষ্টকী লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ইস্যু অমা থোক্লকপা মতমদা অমদি ইরমদম অসিগী মরুওইবা ইস্যু অমা হেক লাকপা মতমদা এন পি পিগী নেসনল লিদরদা তান্নরগা সেন্টরদা মপুংফনা ৱাকৎ পুখৎপা ঙমগনি। এন পি পিগী লাইরিক য়েকপা সিম্বোল অসি য়াম্না পামজৈ অমদি ঐখোয়না লমদম অসিগী ৱাফম অমা হেক পুখৎপদা য়াম্না ফজনা তাবিবা মরম্না এন পি পিদা চঙলকখিবনি। লোয়ননা এন পি পি হায়রিবা পার্টি অসি মণিপুরগী পাৎশোয়দগী হৌরকখিবনি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

**পাউ:** তৌগদবা থবক কয়া অমা লৈ, মদুগী রোদ মেপ য়াৎথোকপসু লোইরে। মীয়াম্না ঐগী ৱাখল্লোল খঙবিদুনা অমদি নুংশিবিদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি অহানবদা ৱাংখৈগী অমদি এ সী অসিগী ফীভম শোক্না লৈরিবা লম্বীশিং, ইরম-নালা নীংথিনা শেমগৎনিংই। লোয়ননা য়াম্না লু-নানবা স্মার্ট সিটি অমা ওইনবসু ঐহাক্কী ঙমজবা থাক্তা হোৎনগে হায়না খঞ্জে। করিগুম্বা লৈঙাক শেম্বদা য়াওরবদি লৈঙাক্কী লৈরিবা খাস লেন্দশিং অসি বডজেটতগী শেনফম খরা কায়থোক্লগা মতম চানা চহী খুদিংগী ইভিক্সন তৌনবা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা তান্নজগনি। মসিনা মীয়াম্না লৈঙাক্তা ৱারৌদবা হায়বদু ওইগনি। দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরম পায়খৎলকপা মতমদা লৈঙাক্কী লমশিংদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী দুকানশিং শাজিল্লিবা অসি অমুক লৌথোক্লবা হোৎনবদা প্রোব্লেম কয়া অমা থোকপগা লোয়ননা দিভেলপমেন্টকী থবক্তা থেংথবা হায়বদু ওইহল্লি। ইমা লৈবাক মণিপুরবু মতৌ করম্না অমুক্কা হেন্না খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎপা য়াগদগে হায়বা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা লো শেমদুনা মীপান তাংদবা ফিদমনিংঙাই ওইবা মণিপুর অমা ওইহনজনিংই।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

**পাউ:** লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা শক-চুমান্নদবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা পুনশিন্দুনা ইরমদম অসিগী লৈরিবা অৱাৎ-অপা অমদি লৈরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা অমত্তা ওইনা সেন্টরদা থাঙ্গৎকদবনি। ঐগী শুমাংগী ৱাই ইশানা শিৎচগদবনি, দেল্লিদগী লাক্লগা শিৎলোই। মরম অদুনা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইশিংনা শুপ্নগী ইশা-ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোল খরা থাদোক্তুনা কম্মন ওইবা প্লেটফোর্ম অমদা লেপমিন্নদুনা অপুনবা মণিপুরগী শক্তম অমা ওইনবা হোৎনদুনা পুন্না নিংঙাই তৌমিন্নদুনা দিভেলপমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবা চঙই। ঐখোয় মশেল য়েংশিন্নদুনা লৈরবদি তুংদা নীংঙমহৌরোই, মতমদি অদুমক চৎখিগনি, কনানসু ঙাইবিরোই। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক অমনা-অমবু শৌগৎনদুনা অশোয়-অঙাম য়াওরক্লবসু ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌদুনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় ৱাখল তামিন্নবগী মতম ওইরে হায়জনিংই।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

**পাউ :** ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রবা অমদি য়াম্না ৱানা হৌরকপা, ইচিন-ইনাওসু য়াম্বা মরম্না শেল তান্দবা য়াদে হায়না হোৎনরকখিবনা ৱানা-ৱানা পি য়ু সী লোইশিনখি। গ্রেজ্যুএসন তম্বা হৌরম্লগা লোইশিনবা ঙমখিদ্রে। ঐহাক ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দা পোকই। ঐগী অপোকপগী মীংনা হুইদ্রোম মণি অমদি অপোকপগী মীংনা হুইদ্রোম ওংবি কোইজম নিংঙোল সনাহনবি কৌই। ঐহাক্কী শিনফমনা সেমি মেকনাইজদ ব্রিক ইন্দষ্ট্রি মচা অমা তৌরি। মসিগা লোয়ননা কন্স্ট্রক্সনগী থবকসু তৌরি। নোর্থ ইষ্টর্ন দিভেলপমেন্টদগী লোনশিং লৌদুনা বিজিনেস চাওথোক্লবা হোৎনজরকখি।

**ৱাহং :** এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

**পাউ :** এ সী অসিগী টোটেল ভোটর হৌজিকমক্কী ওইনা লিশিং ২৫ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৮নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

**পাউ :** থবক অমা মায়পাক্না তৌবা হায়বসি টিম ৱার্ক অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। লমদম অসিদা চহী ১৫ চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবি য়াম্না শীংথানিংঙাইনি। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিসু অওনবা অমা পুরক্লবা কন্না হোৎনবিরি। অদুবু কোভিদ পেন্দমিক অমদি ফন্নবা তৌরুবদা অশোয়বা কয়া থেংনদবা নত্তে। মতাং অসিদা ঐহাক্না থমজনিংলিবা ৱাফমদি ঐনা থেংনজরকখিবা এক্সপরিএন্সতা তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক কয়া উখ্রে। লৈঙাক পায়বা হেক য়াওরুদ্রবসু মখোয়গা থবক তৌমিন্নদুনা লাকখি। মরম অদুনা অতৈনা অতে ওইখ্রবসু ঐগীদমক্তদি য়াইস্কুল এ সীগী অমদি ইরমদম মণিপুরগী তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং মপুং ফানা তৌবা ঙম্নবা হোৎনজগে খঞ্জরি।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফম্না ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফম্না ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

**পাউ :** মীওইবা হায়বসি পেন্দবা কয়াগী মচুনা য়োমদুনা পোক্লক্লবনি হায়নরিবনি। উৎসোব অমা শিনবদা বামোন অমনা মীওই ৩০-৫০দগী হেন্না থৌগল মপুং ফানা তৌবা ঙমদে। হায়জনিংলিবদি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি, পেন্দবদি অদুমক লৈগনি। অৱাৎপতনা মায়কৈ খুদিংমক্তা পীক থনবা মরম্না চহী মঙাগী মনুংদা অৱাৎপা পূম্নমক অদু মেনখৎপা হায়বসিসু অরাইবা থবক্তি নত্তে। অদুবু হিংলিঙৈ পুন্সি মতেক অসিদা লৈবাক্কী ওইবা করিগুম্বা চাওখৎপগী লম্বীদা থবক খরা তৌজরম্বা পাম্বা মরম্না পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি। মীয়াম্না পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়নশিং ফৎতে হায়নরিবা অসিগী মরমসু লৈরমগনি। অদুবু ঐহাক্কী ওইনদি অচুম্বা অফবা লৈবাক মীয়াম্না য়াগদবা ইরমদম চাওখৎনবগী থবক শোয়দনা তৌজগে খঞ্জে। ঐহাক ৱা য়াম্না ঙাঙবা হৈজদে। মরম অদুনা থবক ওইনা তৌরগা উৎপদুনসু হেন্না পামজৈ।

**ৱাহং :** করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

**পাউ :** করপসন হন্থহনবা ঙমগনি, অদুবু মপুং ফানা থিংবদি ৱাগনি। করপসন হন্থহনসি হায়রবদি য়ুনিফোর্ম বর্থ কন্ট্রোল পোলিসি পুথোক্কদবনি। ঐগী ৱাখলদা অশেংবা এদ্যুকেসননা করপসনবু কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি, মদুদা গভর্ণমেন্টগী অকনবা ফীরেপ অমা চঙই। মরম অদুনা এদ্যুকেসন মপুং ফানা পীবা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিল লৈঙাক্না পায়খৎহন্নিংই। লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসিদা করপসন চাওনা লৈরবদি ৱাগনি। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা পোলিসি শেম্বা অমদি শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। নেসনল প্রোজেক্টশিং, দিভেলপমেন্টকী থবক তৌনবা হোৎনবদা হায়বদি খুদম ওইনা হায়রবদা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি হিল এরিয়ানা অয়াম্বা ওইবনা মাইনিং ক্বারি অমা হাংদোক্লবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা ক্লিয়রেন্স চঙবনা হৌজিক ফাওবা হাংবা ঙমদনা লৈরি। হিল এরিয়াদা লৈজরিবা ঐখোয়দা ইনভাইরোন্টমেন্টকী লো ময়াম অদু পানশিল্লবদি মতৌ করম্না দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙমগদৌরিবনো? মরম অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা লো অদু চৎনরবসু নোর্থ ইষ্টকুম্বা হিল এরিয়াদা লৈবা মফমশিংদা ইনভাইরোনমেন্টকী লো অদু খরা খজিক কোমথোক্পীরবদি দিভেলপমেন্টগী থবক থৌরমশিংদা খুমাং চাওশিন্না চৎপা ঙমগনি। হায়জনিংবদি লম-লম অদুগা চান্নবা লো শেম্বা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী অপুনবা লো অমা ওইজরবসু ষ্টেট-ষ্টেট অদুগী জিওগ্রাফিকেল ষ্ট্রাকচর, হেল্থ অমসুং এগ্রিকলচর চাওখৎনবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্না লো শেমজবগী অমদি শেমদোকচনবগী রাইট পীবিবা মথৌ তৱা হায়না খঞ্জে। মতম অদুদা ঐখোয়গী লমদম চাওখৎপা ঙম্বা ওইবা য়াই। শেম্থোক লম্বী মতিক চানা লৈনরক্লবদি করপসন মশানা অদুমক হন্থখিগনি।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্দুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

**পাউ :** ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মখল য়ামখ্রে, যূগী ওইনা হায়রবদি থিংবা ৱাগনি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। থিংবা ৱারগদবা পোৎশক অদুদি য়াম্না চেকশিন্না লিগেলাইজ তৌরগা পি পি পি মোদেলদা গাইদ লাইন নীংথিনা শেম্লগা লেব ওইনা হাংদোক্তুনা লোকেলগী য়ু শুংলিবা মফমশিংদগী ওঠোরিটিনা লৈবিদুনা লেবতা ফজনা ক্বালিটি অমুক হেন্না লৈহন্দুনা মার্কেটতা পুথোক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী কান্নবা হায়বদু ওইগনি। থিংবা ঙল্লরোইদবা পোৎশক অদুগী মতাং অসিদদি মৈরা পায়বী নুপী ইমা-ইবেলশিং, সী এস ওশিং, মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি পূম্নমক য়াওনা য়াম্না ফজনা তুং-মাং য়েংদুনা নুমীৎ কয়ানি চঙনা খন্নমিন্নরগা অফবা লৈবাক্কী কান্নহৌগদবা অমদি তুংগী মীরোলশিংদসু শোকহৌদনবা লম্বী অমা পুথোকপনা ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। খ্বাইদগী মরুওইরিবসি মীওইবা মী হায়বসিনি, মী লৈত্রগদি খুন্নাই লৈরোই। অদুগুম্লবা মী অদুনা য়ু থক্লিংলক্লবদি মী অদু থিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা অফবা য়াইফগদবা লৈবাক্কী কান্নগদবা অমদি মীগী থৱায়বুসু কনবা ঙম্নবা অমনা-অমসু য়াগদবা লম্বী অমা পুথোকপা চঙই। মীচম মীয়ামসু অমদি পোলিটিসিয়নশিংসু পুকচেল চাওথোকহন্নিংই, ৱাখল পীকহন্নিংদে। মালেমগী লৈবাকশিং কদাই ফাওবা চাওখৎপগী লম্বীদা য়ৌনখ্রবগে হায়বসি খঙমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অদুমক লৈরগদি অওনবা পুরকপদি লায়রদনা ঐখোয় পূম্নমক পুমাঙ মাঙমিন্নবা হায়বদু ওইহৌরগনি খন্থমিন্নসি।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

**পাউ :** য়াম্না শেংনা হায়রবদা লমদম অসিদা গভর্ণমেন্টকী থবক্না থবক ওইনা লৌনৈ। মসিগী ৱাখল্লোল শেমদোকপগী মথৌ তারে। তন্দ্রগদি থবক্কী থবক ঙাক্তনি। লৈঙাক্নসু গভর্ণমেন্টকী জোব লোইনা পীবা ঙল্লোইদবা মরম্না নহাশিং থবক ফংনবা থৌরাং-থৌশিল কয়া য়াৎপিবা মথৌ তাই। হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা ষ্টার্ট অপ, ষ্টেন্দ অপনচিংবা থৌরাং-থৌশিলশিং অসি হেন্না পাকশন্না অরায়বা মওংদা লমদম অসিগী নহাশিংদা ফংহনবা চঙই। খুদম ওইনা হায়রবদা মানা-মানা পামজনা থবক তৌজরিবা মফমশিং অদু ইন্দষ্ট্রিএল লেন্দ অমা ওইহন্নিংই। মদুনা থবক তৌজরিবা নহাশিংদা থৌনা-পাঙ্গল হাপ্পিবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী নহাশিংনা তোঙান-তোঙানবা ট্রেদশিংদা লায়না থবক তৌবা ঙমজনবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা সিঙ্গল ৱিন্দো সিষ্টম লমদম অসিদসু চৎনহন্নিংই। মতম অদুদা ওন্ট্রপ্রেনরগী মশিং হেনগৎলক্কনি। লমদম অসিগী নহাশিং মরোমদোম লেপচবা ঙমগনি। ইশা-ইশানসু মীওইবা অমা ওইনা পোক্নবদি প্লানিং তৌজদুনা চাওখৎনবা হোৎনবা তাই। করিগুম্বা ঐখোয়বু পোকপিরিবা ইমা-ইপাশিংনা লৈত-লায়রবদগী লাইরিক মপুং ফানা তমহনবা ঙমদ্রবদি শেল তান্নবা হোৎনবা তাই। ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা মতমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ অমুক তল্লবসু অমদি লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবসু ঙমগনি হায়নিংই।

**ৱাহং :** ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

**পাউ:** সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়ারিবমখৈ দিসেন্ট্রেলাইজ তৌবিবা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা পোলিসি অমা শেম্বা মতমদা চৎনগদৌরিবা স্কিম অদুগী অকক্লবা চহী অদু ফাওবা মায়পাক্না চৎলবদি মখা তানা চৎথবা য়ানবা অমদি করিগুম্বা স্কিম অদুনা অকক্লবা চহী অদু য়ৌদ্রিঙৈ মনুংদা ফেল ওইরবদি স্কিম অদু ককথৎপা য়ানবগী লম্বীসু য়াওহন্নিংই। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংগী লৈবাক-লৈহাও, পুন্সি-মহিং লোয়না খেন্নে। ইন্দিয়াগী অপুনবা লো অমা শেম্লবসু লমদম-লমদম অদুগা চান্নজবা মওংদা শেমদোকচনবগী অয়াবা পীবিগদবনি। লৈবাক মীয়ামগী ষ্টেট-ষ্টেটকী য়েংদনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ঙম্ন-ঙম্নবা মতম লেনবগী মওংগী থবক খুৎতৌ তৌবা অমদি লৈঙাক অমা লাক্লগা মাগী-মাগী অনিংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না লো শেম্বা অমদি শেমদোকপনদি চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা য়াম্না থেংথগনি হায়জনিংই।